# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 15-01-2026)

**এৱার্ড (এল) ঃ** লান্মীগী নুমিৎকা মরী লৈননা চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ কমেন্দেসন-২০২৬ গীদমক পার্সোনেল ৭৪৭ তা মনা পীনবা লাউথোকখ্রে।

ঙসি লান্মীগী নুমিৎকা মরী লৈননা লাউথোকখিবা কমেন্দেসন এৱার্ড ফংগদবশিংগী মনুংদা মনিপুরগী তরুকশুবা আই.আর.বিগী কম্মান্দেন্ট অমসুং স্পিপসিএল কম্মান্দো য়ুনিটকী এস.পি.-ডা: সরাংথেম ইবোমচা সিংহ পুলিসকী গ্রুপতা য়াওরে।

হন্দক এৱার্ড পীরগনি হায়না লাউথোকখিবা অসাম রাইফলসকী জৱান ২৩ গী মনুংদা মনিপুরদগী হেমাম রিসান্তা সিংহ, লাইশ্রম প্রেমজিৎ সিংহ, য়ুমাম আরজন্ সিংহ, উরিকখিন্বম রোবার্ট সিংহনচিংবা য়াওরি।

অমরোমদা, ৭৮ শুবা লান্মীশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা ঙসি অসাম রাইফলসনা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোকখ্রে। থৌরমশিংগী মনুংদা, কাংপোকপী জিলাগী সাজল কুকি ভিলেজতা দে ৱিট কম্পানি কম্মান্দরগী মখাদা মোটিভেস্নেল লেকচর অমা পাঙথোকখি। মদুদা অঙাং ৮০ হেনবদা কেরিয়ার কাউন্সিলং অমসুং গাইদেন্স লেকচর পীখি।

অমরোমদা, নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা অসাম রাইফলসনা রেড ক্রোস সোসাইতিগা খুৎশমনা শিনদুনা কৈথেলমানবী গীরিজনদা ফাষ্ট এদ অমসুং সি.পি.আই. এৱারনেস লেকচর অমা পাঙথোকখি। মসিগা লোয়ননা উখ্রুল জিলাগী কচাই ভিলেজতা লৈবা অলফা স্কুলদা কেরিয়ারগা মরী লৈনবা লেকচর অমসু শিনখি।

**ষ্টাফ (এল) ঃ** মনিপুর ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন-টি. রঞ্জিৎনা

হায়রি-মনিপুরদা অহানবা ওইনা পরিক্ষা পাঙথোকপা মতমদা কম্প্যুটর বেস টেষ্টিং (সি.বি.টি) মোদতা পাঙথোকবা থৌরাং তৌরে।

লমফেলপাৎ ইম্ফালগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা কম্মিসনগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা চেয়ারমেননা হায়-অহানবা ওইনা ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসননা মল্টি টাক্সিং ষ্টাফ তরা রিগুলর পোষ্ট ওইনা লৌগদৌরিবা অসি কম্প্যুটর বেস টেষ্টিং মোদতা পাঙথোক্কনি। সি.বি.টি. মোদতা পাঙথোকপনা পরিক্ষা অসিবু নিতি নিয়ম চুমা অরান অহুই য়াওদনা মনুং মপান ফাওনা উবা মওংদা পাঙথোকপা ঙমগনি।

মহাকা হায়-মনিপুরদা পরিক্ষা পাঙথোকপা মতমদা শেঙ্গা থুমজাগী ৱাফমশিং হেক হেক লাক্লিবা অসি ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসননা লৌগদৌরিবা গ্রুপ (সি) অমসুং গ্রুপ (দি) গী পরিক্ষাশিংদা সি.বি.টি. মোদ পাঙথোক্লবদি মসিগী ৱাফম লৈররোই। শ্রী রঞ্জিৎনা হায়-মনিপুর ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসন অসি নৌনা লিংখৎপদা ঙায়রিবনা মসিগী মতিক চাবা ষ্টাফ অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈতবনা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োকরি।

মহাকা হায়-মীয়ামনা পরিক্ষা অসি কম্মিসনগী ৱেৱসাইট-ডব্লিয়ু.ডব্লিয়ু.ডব্লিয়ু. দোট মনিপুর এস.এস.সি. দোট এম.এন. দোট গোভ দোট ইনদা চংদুনা ওন লাইনগী খুথাংদা ফোর্ম থাজিনবা য়ারগনি।

**ওবিত (এল) ঃ** হান্নগী মনিপুর বিধান সভাগী উপ অধ্যক্ষ অমসুং হকশেলগী রাজ্য মন্ত্রি-হেনাম লোখোন সিংহ, ঙরাং অহিং মশাগী ময়ুম ফোইজিং অৱাং লৈকাইদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৯৪ শুখ্রে।

হেনাম লোখোন সিংহ, অহানবা ওইনা ১৯৮০ দা কংগ্রেস টিকেৎতা কোন্থৌজম বিধান সভা কেন্দ্রদগী ভোট কাদুনা মনিপুর বিধান সভাগী উপ অধ্যক্ষ ওইরম্মী। ইং ১৯৮৪ দা কংগ্রেস টিকেটতা অমুক হন্না মায় পাক্তুনা হকশেলগী রাজ্য মন্ত্রি ওইরম্মী। ইং ১৯৯৫ তা কংগ্রেস টিকেটতা মীখল মায় পাক্তুনা

এদুকেসন (এস), ভেটিরিনারি অমসুং এনিমেল হসবেন্দরি মন্ত্রি ওইরম্মী। হং ২০০০ দা মনিপুর ষ্টেট কংগ্রেস পার্টিগী টিকেটতা মায় পাক্তুনা ফাইনান্স, এক্সাইজ অমসুং টেক্সেসন মন্ত্রি ওইরম্মী।

**সিইও (এলঃ)ঃ** ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা জানুৱারী ২১ দগী ২৩ ফাওবা ন্যু দিল্লিদা 'দা ইন্দিয়া ইন্টরনেসনেল কনফরেন্স ওন দেমোক্রেসি এন্দ ইলেক্সন মেনেজমেন্ট' হায়বসিগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোক্কদৌরি।

ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা জোইন্ট সি.ই.ও. লোকেশ্বর ব্রহ্মাচারিময়ুমনা হায়-নুমিৎ হুমনি চথুগদবা মীফম অসিদা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৩৬ কী মথক্তা মনিপুরগী সি.ই.ওনা লুচিংবা পুন্না মীওই মরিগী ওইবা মনিপুরগী টিম অমনা শরুক য়াগনি। মীফম অসিগা মরী লৈননা রাজ্য খুদিংমক্কী তোঙান তোঙানবা হীরম অমমম পীরি।

মনিপুরগী ওইনা 'ইজ ওফ পোলিটিকেল পার্টিসিপেসন ইন ভোটর রেজিষ্ট্রেসন' হায়বসিনি। মসিগা মরী লৈননা সি.ই.ও. মনিপুরনা দি.এম. য়ুনিভরসিতি, মনিপুর য়ুনিভরসিতি অমসুং হায় কোর্টতগী স্কোলার অহুম খনগৎলে। মখোয়শিং অসিনা সেমিনারনচিংবা পাঙথোক্তুনা রিপোর্ট অমা শেম্লবা মতুং মীফম অসিদা পুথোক্কনি। অতৈ রাজ্যশিংগা লোয়ননা পীখৎলকপা রিপোর্টশিং অসি একাডমীক অমসুং অতৈ হীরমশিংদা শিজিন্ননবা চেফোং ওইনা ফোংগনি।

**ভিদিএফ (এল) ঃ** ভিলেজ দিফেন্স ফোর্স (ভি.দি.এফ) পার্সোনেলশিংগা থাগী রিমুনেরেসন লুপা লিশিং ১৪,৪০০ দা হেনগৎখ্রে।

রাজ্যগী হোম বিভাগকী জোইন্ট সেক্রেটরি-ডা: ময়েংবম ভেটোনা

থোকপা চেরোল অমদা হায়-হেনগৎলিবা শেনফম অসি চহি অসিগী জানুৱারী অমদগী চৎনবা হৌগনি। লোয়ননা চহি খুদিংগী ইনক্রিমেন্ট ওইনা ভি.দি.এফ. পার্সোনেল অমদা লুপা ৫০০-৫০০ সু পীগনি হায়রি।

**মীফম (এল)**ঃ ৭৭ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরমগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিট এদমিনিষ্ট্রেসন কাংপোকপীনা জিলা থাক্কী ওফিসিএলশিংগা মীফম অমা দি.সি. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

দি.সি. শ্রী মহেশ চৌধুরিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা জিলা অসিগী বিগ্রেদিয়ার থোমাস গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরমগী শেম শারিবশিং, তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংনা লৌগদবা থৌদাংগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

জিরিবামদসু গনতন্ত্র দিবস পালনগী মাংওইননা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা গনতন্ত্র দিবস থৌরম মপুং ফানা পাঙথোকনবা অমদি তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংনা জিলা অসিদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী স্কিমশিং অমদি প্রোজেক্টশিং হন্না য়েংশিনখি।

**সেফতি (এল)**ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন নেসনেল রোড সেফতি মন্থ-২০২৬ কা মরী লৈননা মীয়ামদা লম্বীগী নিয়ম ঙাকা চৎননবা অমদি নীংথিনা খঙহনবগী কেম্পেইনশিং চথুরি।

দিষ্ট্রিক্ট রোড সেফতি কমিতি-ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং উরিপোক অপুনবা লুপকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি জিলা অসিগী উরিপোক লম্বীদা অখন্ননা য়েংশিনবগী থবক চথুখ্রে।

নেসনেল রোড সেফতি মন্থ-২০২৬ কা মরী লৈননা কাংপোকপী জিলাগী

দিপ্যুতি কম্মিস্নার-শ্রী মহেশ চৌধুরিনা ঙসি কাংপোকপী দি.সি. মিণি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতগী রোড সেফতি এৱারনেস রেল্লি লমথাখি।

সড়ক সুরক্ষা জিবন রক্ষা হায়বা থিমদা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিগী মনুং চন্না রেল্লি অদু লমথারদুনা দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সপোর্ট ওফিসার-মহামদ ৱহিদুর রহমাননা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক থোক্তনবা মীয়ামনা ত্রাফিক্কী নিয়ম ঙাকা চৎনবা হায়খি।

থাবুম পালন অসিগী মনুং চন্না ত্রান্সপোর্ট বিভাগনা জিলা অসিগী স্কুল, কলেজশিংদা ত্রাফিক্কী নিতি-নিয়ম ঙাকবা অমসুং লম্বীদা খুদোংথিবা থোক্তনবা মীয়ামদা ভাব তাহনবগী থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি।

**সেন্সস (এল) ঃ** রাজ্য অসিদা লৈরিবা মীতোপশিং খন্দোক্তুনা মরমদমদা হলহনখিদ্রিঙৈ মমাংদা মীকোক থিবগী থবক পায়খৎপা তারবদি লমদম অসিদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংদা চাউনা চৈথেং পীগনি হায়না কেম্পেইন ফোর জস্ত এন্দ ফেয়ার দিলিমিটেসনগী কনভেন্নর-জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনা হায়রি।

কুম্বী কেন্দ্রগী ৱাংঙু শম্বল লৈশেম্বা শঙলেনদা পাঙথোকপা মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী জিতেন্দ্র নিংঙেম্বানা হায়-রাজ্য অসিদা লোন্না চংশিল্লক্তুনা লৈরিবা মীতোপশিং খন্দোকবা হোৎনবদা মীয়ামনা অমত্তা ওইনা থবক তৌমীন্নবা চংই। লৈবাক অসিগী ওইনা হন্দক চহি অসিগী এপ্রিল থাদগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা সেন্সসকী থবক অসি নিয়ম চুমা পাঙথোকবা হোৎনবা তঙাইফদে।

**এৱার্ড (এল) ঃ** অহুমশুবা লৌবুকতোংবম শ্যামদেব এৱার্ড-২০২৫ শকাইরবা ঠিয়েটর পার্সোনেলিতি-বি. জগোলচন্দ্র শর্ম্মা অমদি কছারগী অইবা-মৈস্নাম বিরমনি সিংহদা পীরে।

ইম্ফালগী বি.টি. রোডতা লৈবা রুপমহল ঠিয়েটরদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরমদা মনাশিং অদু লান্থোকখিবনি। মনাশিং অদু মখোয়গী ইমুং মনুংশিংগী

মীওইশিংনা পীবনি।

মনা লাম্থোকপগী থৌরমদা লৌরেম্বম রামেশ্বর মীতৈ-এম.এল.এ, থবক্তগী পোত্থরবা প্রোফেসার-থিয়াম জেকেন্দ্র অমসুং অকাশবানি ইম্ফালগী হান্নগী প্রোগ্রাম হেদ-অধিকারিময়ুম গীতচন্দ্র শর্ম্মা শরুক য়াখি।

**কুমওন (এল) ঃ** সাহিত্য সেবা সমিতি-ককচিং লিংখৎখিবগী ৫৯ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি জিলা অসিদা লৈবা লাইব্রেরী এন্দ ইনর্ফোমেসন সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে অমসুং তোঙান তোঙানবা সাহিত্যগী মনাশিংসু য়েন্থোকখি।

থৌরমদুদা রাজ্যগী য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস বিভাগকী সেক্রেটরি-নাওরেম প্রবিন, ইনকম টেক্স কোলকাতাগী প্রিন্সিপাল কম্মিস্নার-নাওরেম বানিতা, দি.এম. য়ুনিভরসিতিগী হান্নগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার নোংমাইথেম রাজমোহোন য়াওনা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-সরকারনা লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্কী য়াইফনবা থৌরাং কয়া মীচং মীখায় নাইদনা পায়খৎলি। গনতন্ত্র হায়বসি খ্বাইদগী শোত্থরবা কাংলুপ্তা ফাওবা সরকারগী থবক থৌরমশিংগী কান্নবা য়ৌহনবা অদুনি।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা সংবিধান সদনদা ঙসি পাঙথোকপা কম্মনৱেলথ লৈবাকশিংগী স্পিকরস অমসুং প্রিসাইদিং ওফিসারশিংগী মীফমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-হৌখিবা চহি খরা অসিদা লৈবাক অসিগী মীওহ কোতি ২৫ রোম লাইরবগী পনখৈদগী লাপথোরক্নুনা ফিভম ফগৎপা হৌরে। অসিগুম্বা মীওইশিংগী ফিভম ফগৎহনবা হায়বসি সরকার অসিগী ফিরেপনি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংনা অমত্তা ওইবগী থৌনাগা লোয়ননা মাংলোমদা চংশিনবদগী লৈবাক অসিগী শেল থুমগা ফিভম শিংথানিংঙাই ওইনা ফগৎলক্লি।

মহাকা হায়-ভারতকী য়ু.পি.আই. সিষ্টেম অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা দিজিটেল পেমেন্ট সিষ্টেম অমনি হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা শিংথাখি।

**ডেঃ** ৭৮ শুবা লান্মীশিংগী নুমিৎ, জয়পুরদা ঙসি নীংথিজরবা পেরেডকা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে। জগতপুরাগী মহল রোডতা পাঙথোকখিবা পেরেড অদুদা ভারত লান্মীগী হৈ-শিংবা, চাউখৎলবা লানগী খুৎশু খুৎলায়শিং উৎখি।

পেরেড অদুদা লৈবাক অসিনা শাজবা মীসাইল সিষ্টেম, এদভান্স টেঙ্ক, মিলিটরি ভেহিকল, দ্রোন, এন্টি ইয়ার অমসুং এন্টি টেঙ্ক ৱিপন্স সিষ্টেম কয়া ডৎখি। নেপাল আর্মি বেনসু থৌরমদুদা শরুক য়াদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা ঙাকশেলগী লমদা তেংবাং পীনবা অমসুং মরুপ-মপাং ওইবগী মরী উৎখি। ব্রমোস মীসাইল সিষ্টেম, হেলিকোপ্তর বেজ, ৱিপন প্লেটফোর্ম অমসুং রোবোটিক দোক্স য়াওনা কালা সংস্কৃত্তিগী ওইবা থৌরম কয়াস্ পাঙথোকখি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ য়াওনা লুচিংবা কয়ানা ঙসি লৈবাক অসিগী লান্মীশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

**ইরানঃ** ইরানদা সেক্যুরিতিগী ফিভম মখা তানা ফৎচিল্লক্ত্রিবা অসিগী য়েংলগা ভারত মচাশিং ইরানদা চৎতনবা সরকারনা হায়রি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়না থোকপা এদভাইজরি অমগী মতুং ইন্না-লৈবাক অদুগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অদুগী য়েংলগা ভারত মচাশিং মখা তাবা হুকুম অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা চৎতনবা খঙহল্লি। ইরানদা হৌজিক লৈরিবা ভারত মচাশিং ইরাং থোকপা য়াবা মফমশিংদা চৎতনবা অমসুং লৈবাক অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিং লৈবাক অদুদা লৈরিবা এম্বেসিদা রেজিস্তার তৌনবসু হায়রি।

মরক অসিদা, তেহরানদা লৈবা ভারতকী এম্বেসিনা থোকপা এদভাইজরি অমগী মতুং ইন্না ইরানদা ভারতকী মহৈরোই, লাই খুরুম্বা লাকপশিং, লল্লোন

ইতিক তৌবা অমসুং লম কোইবা লাকপশিং, কর্ম্মরসিএল ফ্লাইট য়াওনা অরৈবা পান্বে শিজিন্নদুনা ইরান থাদোকবা হায়রি।

**মাসি ঃ** মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ এল্লাইদ স্পোর্টস ইন্সটিট্যুট (মাসি) কৈরাউ ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা নুমিৎ মঙানি চথুগদবা ৱিনটর এদভেঞ্চর কেম্প পাঙথোক্লি।

ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা যোগ, নোট প্রাক্তিস, জম্মরিং প্রাক্সিগী মতাংদা শান্নরোইশিংদা ত্রেন্নিং পীখি। লোয়ননা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতিগী কাংবুনা ফাষ্ট এদকী মতাংদা তাকপী তম্বীখি।

**ফুটবোল ঃ** ১৮ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ-২০২৫-২৬ কী ঙসি লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা-য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিব এদল্ট এসোসিয়েসননা টিদিম রোড এঠলেটিক য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ৪-১ দা অদুগা ইম্ফাল এফ.এনা য়ুথ দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** ৫ শুবা এম.এন.সি.এ সুপর প্লেট ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-রুল-মৈত্রমনা কে.এ.এস.সি. খোমীদোকপু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে।

থৌবালগী খাঙবোক পার্ট থ্রিদা লৈবা পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-পি.সি.সি. ময়াই কোইবীনা কে.এস.দি.ও. কিয়ামগৈবু রন-৫৬ তা থোইখি।

**ক্রিকেট ঃ** লংথাবাল পব্লিক গ্রাউন্দা চথুরিবা ২২ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. লংথাবালনা এস.য়ু.এস.বি.সি. শগোলবন্দবু ৱিকেট ৬ তা থোইখি।

**হোক্কিঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী কোন্থা অহল্লুপ্তা লৈবা ৱাই.সি.সি.আই.সিনা শিন্দুনা ইবুধৌ মার্জিং লম্পাক্তা চথুরিবা ১৩ শুবা য়ুমাম রাসমণি মেমোরিয়েল ইনভিতেসন অন্দর ফিফতিন বোইজ এন্দ ৱিমেন হোক্কি তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী মেটচশিংদা-ঐচ.য়ু.লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা ৱাই.সি.সি. আই.সি. (এ) কোন্থা অহল্লুপপু পাঞ্জল ১০-৫ দা থোইখ্রে।

মৈরা বাসিখোংনা ফাম-থাংমৈবন্দ য়ুমাম লৈকাইবু পাঞ্জল ১৩-০ দা থোইখ্রে।

নুপীমচাগী শান্নখিবা মেটচতা-টি.ডব্লিয়ু.সি. তৌবুংখোকনা ৱাই.সি.সি.আই.সি.দি-কোন্থা অহল্লুপপু পাঞ্জল ৩-১ দা অদুগা আইদেল তেরা বজারনা সেয়ো-শিংজৈবু পাঞ্জল ৮-০ দা থোইখ্রে।

**ওকপা ঃ** থা অসিগী ১০ দগী ১১ ফাওবা উরিষ্যাদা পাঙথোকখিবা ১২ শুবা ইষ্টর্ন ইন্দিয়া মেন্স এন্দ ৱিমেন্স বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নসিপতা কিলোগ্রাম ৯০ গী কেটেগোরিদা সনাগী তকমান লৌদুনা ওভর ওল চেম্পিয়ন টাইতল লৌরকখিবা ক্ষেত্রিময়ুম নিরজ, কিলোগ্রাম ৭৫ গী কেটেগোরিদা শেঞ্জেংগী তকমান লৌরকখিবা নাওরেম ফ্রেদি সিংহ অদুগা নুপীগী বোদি বিল্ডিংদা মঙাশুবা পোজিসন লৌরকখিবা ফিলা য়ংয়াবু ইম্ফাল ইন টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতা হরাও তয়ামা ওকখ্রে হায়না ওল মনিপুর বোদি বিল্ডিরস এসোসিয়েসনা চেরোল অমদা হায়রি।